# হয়েংগী মীরোলগীদমক অপূনবগী থৌদাং লৌমিন্নরসি : য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস):

চাওখৎপা, মাঙজিল থাবা, মীথোই মীহেনবা, মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লৈবাক খুন্নাই অমগীদমক হয়েংগী তুংগী মীরোলগী য়ূম্বী ওইগদৌরিবা ঙসিগী নহারোলশিং লৈবাক খুন্নাইগীদমক খনবা, মশা-মউ ফবা, মতিং লৈবা, শিংনরকপা কয়াবু মায়োক্নবা ঙম্বা, তিঞ্জং কায়জংদবা অচৌবা মীওই ওইহনবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদবনি। মরম অদুনা নবেম্বর ৪দা চেনগদৌরিবা রন ফোর য়োর নেসন হায়বা পাউজেল পুবা লমশাং লমজেল অসিদা পূম্নমক্না শরুক য়াদুনা পূক্নিং থৌগৎপীয়ু হায়না য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু সেকেন্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, অফবা মতিং লৈবা মমা মপানা অচৌবা মচা-মশু শেম্বা ঙম্বগুম ঙসিগী মীরোলদা হিংলিবা ঐখোয় খুদিংমক অফবা মীওইশিং ওইদুনা তুংগী অচংবা নহারোলশিং শেমহৌরসি। ঙসিগী লমদম অসিদা নাকল কয়াদগী মনুং অমসুং মপান্দগী পীরকপা শাফু কয়ানা ঙসিদি ঐখোয়গী ইরমদম অসি চাওখৎ লিক্লমদা চেনখৎপদা অয়েৎপা পীবদা নত্তনা তুংগী মীরোলদা ইরমদম অসি মচেৎ মচেৎ থুগাইখিবনি।

ইরমদম মণিপুরগী পুৰারীগী লিক্লমদগী মুৎখিবা য়াবগী অকিবা কয়া হকথেংনরি। মণিপুরগী মপান্দগী চখৎরক্লিবা থৌদৌ-থৌদাংশিংনা লমদম অসি মীপাল তাংদুনা হিংনবগী অমদি ইরোমদোম লেপচবা ঙমজনবগী ৰাখল মীৎয়েং থুগাইদুনা মীরমদমদগী পুশিল্লকপা পোখোকশিং, মতেংশিং য়াওদ্রবদি হিংবা ঙমলোইদবা ফীভম অমা ঐখোয় খুদিংদা চহী লিশাং শিংনা তপ্না তপ্না ফাওহল্লকখিবনি। ঙসিদি ঐখোয় মশেলগী মরক্তা মীপান তাংদনা ইখোঙনা থোংনা হিংবা পামজবা মীওইশিং অমদি মীগী মতেং য়াওদনা হিংবা ঙম্লোইদবা মীওইশিংনি হায়না খেন্নবা ৰাখল মীৎয়েং অনী ফোঙদোক্লদুনা অচৌবা উংখৎনবা অমা শেমগৎলি।

লৈবাক অমসুং নেসনগী ৰাফমদা তুংওইননা মীরমদম্বু হেন্না লুম্না অফবা ওইনা লৌবা মীওই কাঙলূপ নোংমা নোংমগী মশীং হেনগৎলক্লি। ওইরক্লিবা ফীভম অসি মতম চানা চুমথোক্লবা থৌদাং লৌহৌদ্রবদি চহী খরগী মতুংদা মালেমগী লৈমায়সিদগী মণিপুর নেসন মুৎখিবা তারি। মালেমগী লৈমায়দগী খোঙ্গুল মুৎখিবা য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, হয়েংগী তুংগী য়ূম্বীরেলশিং ওইগদৌরিবা ঙসিগী নহারোলশিং তিঞ্জং কাইজংবা মহাম তারবা মীওইশিং ঙাক্তা ঙাইশিল্লক্লে। লৈবাক অসিগী খনবদি লায়রদনা মশা মতোমতা খনবা, অতোপ্পবু নমথুরগা মশা ফহৌরগা লোইরে খনবগী ৰাখলসু নত্তবা লৈবাক খুন্নাই য়োম্থোক্লবা হোৎনবনা মপূং ওইবা থৌদাং ওইদুনা লাক্লি।

মতম অমদা ইপা ইপূশিংগী থৌনা লিংজেল, মশা-মউফবা, পাঙ্গল লৈবা, হৈশিংবনা নোংচুপ থংবা খা নোংপোক এসিয়াদা মনীং তম্বা অচৌবা লৈবাক অমা ওইনা পাল্লম্মী হায়বা ফাওবা ঙসিগী ওইরিবা ফীভম অসিনা ইকায়জবা মতম অদু ওইহল্লে। হীরম খুদিংদা নহারোলশিং মহাম তাবা মীওইশিং ওইবা নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি হায়রি।

মালেমগী মনুংদা, ইন্দিয়াগী মনুংদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা, দ্রগ চাবা, কাপ্পা খ্বাইদগী ৰাংবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইবদা নত্তনা তমথীরবা ঐচ আই ভি/এইদস লায়ওংনা খ্বাইদগী শোকহনবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। মসিমক্না লমদম অসিগী কাচিন কোয়া খুদিং ঐচ আই ভি/এইদস শনে দারক্তুনা মীওই কয়া অমা হাৎখ্রে, কয়া অমসু হাৎকদৌরি হায়রি।

ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা ফত্তে হায়বা খঙলবসু ঙসিগী ওইরিবা খুন্নাইগী মশক অসিনা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিং ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তা অদুমক লুপ্তুনা অশিবগী খয়াৎতা চোংশিল্লি। মায়কৈ কয়াদগী মখল মখা কয়াগী থৌইনশিনগা লোয়ননা পুশিল্লক্লিবা দ্রগ, গুলি, ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী পোৎলম মখল কয়া লমদম অসিদা মরাং কায়না ফংহনবা অমদি ময়াই কাবা চিঞ্জাকপু করবার তৌরিবশিং মফম, মতম অমদি মতিক চাবা চৈরাক ফংহন্দবসিনা ঙসিগী নহারোলশিং ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তা লূপ্পা হায়বসি থোইদোক্ন অরুবা ওইদে। লমদম অসিদা মসিবু থিংনবা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎতবা অসিনা মহাম তারবা নহারোলশিং হেন্না পুথোরকপা মশানা তারবা ৰাফমনি হায়রি।

অমরোমদা, লমদম অসিদা য়ু, ময়াই কাবা চিঞ্জাক মখলশিং থিংনবগী লো লৈনা লৈনা থিংবা ঙমদ্রিঙৈগী চৈরকসিদা য়ুবু লাইসেন্স পীদুনা শুংহনগনি হায়বা লৈঙাক্কী থৌইনশিন্না অফবা পুরকপগী মহুত্তা নহারোলশিং হেন্না মাঙহল্লক্কদৌরি হায়রি।

অমরোমদা, লমদম অসিদা শনে দারক্লিবা ইলেক্ট্রোনিক্সকী গেজেটশিংগী চৈথেং অসিনা ঙসিগী নহারোলশিংগী মোরেল লৈখা তানা মাঙহল্লকপদা নত্তনা লৈবাক খুন্নাই অসিদা মপা-মচা, মবুং মৌপ্পা, মমা মপা মশক খঙলক্ত্রে। নোংমা কাংদনা মিদিয়াদা ফোঙলক্লিবা শরমচৎকী থৌদোকশিংনা ঐখোয়গী লৈবাক, ফুরুপশিং মীয়াম মাঙদা ইকায়বা নংহল্লে। মদুদগী হেন্দোক্তুনা নুপীমচা কয়া ঈজৎ খোঙ্গোইনরবা মতুংদা হাৎতোক্তুনা থম্বীরম্বা থৌওংশিং মশীং খঙদনা থোকচিল্লকখ্রে। থোরক্লিবা থৌদৌশিংনা লমদম অসিগী মীয়ামগী ৰাখল, মীৎয়েং লমদমসিবু মাঙলোমদা চৎখৎপা, চাওখৎপা মাঙজিল থাবা লৈবাক খুন্নাইগী মীৎয়েংদা চঙশিনবা ঙমদ্রে। লৈবাক মনুংদা থোক্লিবা থৌদোক মচা মচাশিংদা ৰাখল মীৎয়েং লুপশিন্দুনা লৈরিঙৈ লমদম অসি হৌগৎপা ঙমদনা তানফম অমদা লৈরবা য়ারি হায়রি।

ইরমদমগী লম্মীৎ তুম্মীৎ, ঈশিং নুংশিৎ, পুৰারীগী লিক্লম, লৈবাক খুন্নাইগী মশক অমসুং ফীভম, শেন্মীৎলোন, লৈঙাকলোন্নচিংবা ঙসিগী মীরোলদা হিংলিবা ঐখোয় খুদিং মপূং ওইনা ঙসিগী নহারোলশিংনা খঙবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদে হায়রি।

অফবা অচুম্বা ৰাখল খনবা ঙম্নবা হোৎনবদা মশা মউ ফবা চঙই। মশা মউ ফবা মীওই ওইনবা হোৎনবদা হীরম কয়াদা ঐখোয়না চঙশিনবা তাই। মশা মউ ফবা, অচুম্বগীদমক্তা থৌনা ফনা লৈবা ঙম্বা মতিং লৈবা মীওইশিংনা চাওখৎপা, মাঙজিল থাবা, মীথোই মীহেনবা, মীপাল তাংদবা লৈবাক খুন্নাই শেম্বা ঙমদৌরিবনি।

য়ুপি এফনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা মেগা মরাথোন অসিনা মণিপুর মীয়ামদা মরুওইনা নহারোলশিংদা লৈবাক খুন্নাই অমা মাঙলোমদা চৎখৎহনবদা মীওই পূম্নমক্কী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়বা ৰাখল্লোন পুদুনা অমদি শন্দোক্তুনা থা অসিগী ৪দা চেনগদৌরিবা রন ফোর য়োর নেসন হায়বা পাউজেল পুবা লমশাং লমজেল অসিদা পূম্নমক্না শরুক য়াবিয়ু অমসুং পূক্নিং থৌগৎপীদুনা মালেমদা শক তাক্লসি হায়রি।

# সী পি আইগী ঈহৌ খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস):

ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না মায়োক্নরিবা হীরম কয়ামরুম পুখৎতুনা থা অসিগী ১দগী হৌখিবা মণিপুর ষ্টেট সী পি আইগী ঈহৌ খোঙচৎকী নীনি চনবা নুমিৎতা ইম্ফাল ৰেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি কয়ামরুমদা চৎখ্রে হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা ফোঙদোরক্লি।

সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী পোলিটিকেল এফ্যেরসকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি কে এস ঐচ সুরচান্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ঈহৌ খোঙচৎ চঙশিনবা হৌবা নুমিৎতা পাৎশোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা তেরা কৈথেল, খম্নাম কৈথেল, লাংজিং, পাৎশোই পার্ট ৱান, য়ুরেম্বম কৈথেল, পাৎশোই পার্ট টু অমসুং থ্রি, তাওবুংখোক, চঙাঙ্গৈ, ঘড়ি, ময়ায় কোইবী অমসুং সয়াং লৈরত্তা ষ্ট্রিট কোনর মিটিংশিং পাঙথোকখি। লোয়ননা ঈহৌ খোঙচৎকা মরী লৈননা পুথোকপা চেজাই কয়ামরুম মীয়ামদা য়েন্থোকখি।

পাৎশোইগী খোঙচৎ অসিদা সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা হৌবদগী লোইবা ফাওবা লমজিংখি। মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল সী পি আইগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি (ওর্গেনাইজেসন) মাইস্নাম জয়কুমার লুৱাং, সেক্রেটরিএট মেম্বর নোংথোম্বম সিংহজিৎ, ইম্ফাল ৰেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল সী পি আইগী সেক্রেটরি থিয়াম চাউবনচিংবনা শরুক য়াখি।

খোঙচৎ অসিগী নীনি চনবা নুমিৎতা ইম্ফাল ৰেষ্টকী লমশাং এ সীগী মনুং চনবা লমশাং কৈথেল, ময়াং লাংজিং, কমেং, মনা ইঙ্খোল, খোঙহাম্পাৎ, লৈমখোং, অৱাং লৈকিন্থবী, অৱাং পোৎশংবম, থরোইজম, অৱাং খুনৌ, মাক্লং, কাচিখুন, শঙাইথেল, করোংনচিংবা মফমশিংদা ষ্ট্রিট কোর্নর মিটিংশিং পাঙথোকখি। সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার, ইম্ফাল ৰেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী জোইন্ট সেক্রেটরি মৈত্রম কেসো, ষ্টেটকী সেক্রেটরিশিং কে এস ঐচ সুরচান্দ, মাইস্নাম জয়কুমার, দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি থিয়াম চাওবা, ওল মণিপুর লৌমী লূপকী সেক্রেটরি ঐচ ইবোবী, এম এস সী পি আইগী কাউন্সিল্লর এস নিমাই, লোকেল সেক্রেটরি এল ইনাওচানচিংবনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই, লমলোং, হৈঙাং অমসুং খুন্দ্রাকপম এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ষ্ট্রিট কোর্নর মিটিংশিং পাঙথোকখি। নুমিৎ অদুগী অয়ুক্তা লমলোং কৈথেলদগী হৌখিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ঈহৌ খোঙচৎ অদু ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার, সেক্রেটরিএট মেম্বর এ ললা, মাইস্নাম জয়কুমার, আর কে অমুস্না, দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি ঐচ বিমোলনচিংবনা হৌদোকখি।

খোঙচৎ অদুদা পুখৎলিবা মরুওইবা ইস্যুশিংদি নাগা ওটোনোমস কাউন্সিল/রিজন পীবা য়ারোই, মণিপুরদা অহেনবা ষ্টেট ওটোনোমিগী পৱার পীয়ু, ম্যান্মারগা লোন্নবা ঙমখৈগী চয়েৎনবা লৈহনগনু, ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট পরম চুম্না থবক্তা ওন্থোকউ, এম জি নরেগাগী ফন্দিং ককথগনু, এম য়ুগী ইনক্বারি লোইশিল্লু, প্রোফেসর এ পি পান্দে হলহনখিসি অমসুং মাঙ তাকহনবনা হেল্লবা লোক্তাক প্রোজেক্ট মুত্থৎসি, মাইক্রো হায়দেল পৱার প্রোজেক্টশিংনা মহুৎ শিলহনসি হায়বনচিংবনি।

অমরোমদা ঙসি খোঙচৎ অদু কোংবা কৈথেল অমসুং সেকমাই কৈথেলদগী হৌদুনা ক্ষেত্রিগাও এ সী অমসুং সেকমাই এ সীগী খুল কয়ামরুমদা চৎখি। কোংবা কৈথেলদা ষ্ট্রিট কোর্নর মিটিং অমগা লোয়ননা হৌদোকখি। মতুংদা ক্ষেত্রিগাও, ইরিল মপাল, নহারুপ, টোপ অমদি ইরিলবুংনচিংবা মফম কয়াদসু ষ্ট্রিট কোর্নর মিটিং পাঙথোকখি।

ইম্ফাল ৰেষ্টকী ঈহৌ খোঙচৎ অদুনা সেকমাই কৈথেলদা অয়ুক পুং ১০ তাবদা অচৌবা ষ্ট্রিট কোর্নর মিটিং অমা পাঙথোক্তুনা হৌদোকখি। মতুংদা কান্তো, লোইতাং খুনৌ, লোইতাং খুলেন, খুরখুল, তাইরেনপোকপী, ফয়েং অমদি খুঙ্গং কয়া ফাওদুনা মীয়ামদা খোঙচৎ অসিগী পান্দমশিং খঙহনখি হায়রি।

# ফুদ সেফটি, ইম্ফাল ৰেষ্টনা মীওই ১৮দা পেনালটি পীহনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): এদজুদিকেটিং ওফিসর (ফুদ সেফটি) / এ দি ইম্ফাল ৰেষ্টনা তোঙান তোঙানবা ওর্দর ১৮ থোক্তুনা শাবা, থম্বা, য়োনবা নৎত্রগা য়েন্থোকপদা অনসেফ নৎত্রগা প্রোহিবিটেদ ওইরে হায়বা ফুদ আর্টিকলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং সী এম ও ইম্ফাল ৰেষ্ট, ও সী সিটি পুলিস ষ্টেসন অমসুং মিদিয়া পার্সনশিংগা তানরবা মতুংদা ফারক্লবা পোৎলমশিং অদু শাফগদবা মফম অমদা মীয়াম মাঙদা দিসপোজ তৌবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টকী ট্রেজরিদা পেনালটিশিং অদু মরাল লৈরবা মীওইশিং অদুনা থিহন্নবা য়াথং পীখ্রে।

কে এস ঐচ লেম্বা এএদজুদিকেটিং ওফিসর (ফুদ সেফটি) / এ দি ইম্ফাল ৰেষ্টনা থোকপা ওর্দর অমনা গনেস শাহু (২৯), অপোকপগী মীংনা লৈখিদ্রবা হিরাল শাহু বিহারগী রঘুনাথপুর বক্সারদা লৈবা অদুগা হৌজিক্না মিনুথোং টেলিপটিদা লৈবা মীওই অসিদগী ফাগৎলকপা পোৎলমশিং অদু মীয়াম মাঙদা দিসপোজ তৌবগা লোয়ননা ফাইন ওইনা লুপা লিশীং ৫ ট্রেজরিদা চলানগী খুৎথাংদা লৈঙাক্কী একাউন্টদা হাপচিন্নবা খঙহনখ্রে।

অনিলকুমার গুপ্ত (২৭) অপোকপা কাপিল মুনিকুমার বিহারগী অরা দিষ্ট্রিক্টকী সাপুরপটিদগী লাক্লগা হৌজিক্না থাঙ্গাল বজারগী আলু গল্লিদা লৈবা মীওই অসিদগী ফাগৎলকপা পোৎলমশিং অদু মীয়াম মাঙদা দিসপোজ তৌবগা লোয়ননা পেনালটি ওইনা লুপা লিশীং ১০ গভর্ণমেন্টকী একাউন্টতা হাপচিন্নবা য়াথং পীখি।

বিজুলি কুমার (২২) অপোকপা শ্যামসুন্দর যাদব বিহারগী কুন্দুৱার চেনপুরদগী লাক্লগা হৌজিক্না মসজিদ রোদতা লৈবা মীওই অসিদগী ফাগৎলকপা পোৎলমশিং অদু মীয়াম মাঙদা দিসপোজ তৌবগা লোয়ননা পেনালটি ওইনা লুপা লিশীং ৫ গভর্ণমেন্টকীএকাউন্টতা হাপচিন্নবা ওর্দর পীখি। নাৰন কুমার (২০) অপোকপা জগনাথ রায় থঙ্গাল বজারগী ঙারি গলিদা লৈবদগী ফাগৎলকপা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু মীয়াম মাঙদা দিসপোজ তৌবগা লোয়ননা পেনালটি ওইনা লুপা লিশীং ৩ থিনবা খঙহনখি। সন্তোসকুমার (৩২) অপোকপা সিয়ারাম শাহা থঙ্গাল বজারগী এম জি এভেন্যুদা লৈবা মীওই অসিদগী ফাগৎলকপা পোৎলমশিং অদু মীয়াম মাঙদা দিসপোজ তৌবগা লোয়ননা পেনালটি ওইনা লুপা লিশীং ৫ লৈঙাক্কী একাউন্টতা হাপচিন্নবা য়াথং পীখি। কিশোরকুমার প্রসাদ (৩৪) অপোকপা সুসিলা থাঙ্গাল বজারগী ঙারি গল্লিদা লৈবা মীওই অসিদগী ফাগৎলকপা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু মীয়াম মাঙদা দিসপোজ তৌনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা পেনালটি ওইনা লুপা লিশীং ৩ গভর্ণমেন্টকী একাউন্টতা হাপচিন্নবা ওর্দর পীখি।

এম জি এভেন্যুগী এস বি আই মনাক্তা লৈবা প্রেম শাগর (৩৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা রামরাজদগী ফাগৎলকপা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু মীয়াম মাঙদা দিসপোজ তৌনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা পেনালটি ওইনা লুপা লিশীং ৩ গভর্ণমেন্টকী একাউন্টতা হাপচিন্নবা ওর্দর পীখি।

পাওনা বজারগী এস বি আই বিল্ডিং মনাক্তা লৈবা জোখুরে (৪০) অপোকপা রামভরোস রেদগী ফাগৎলকপা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু মীয়াম মাঙদা দিসপোজ তৌনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা পেনালটি ওইনা লুপা লিশীং ৫ গভর্ণমেন্টকী একাউন্টতা হাপচিন্নবা ওর্দর পীখি।

থঙ্গাল বজারগী হ্বাই পেলেসতা লৈবা অনিলকুমার (১৯) অপোকপা অমর গৱালদগী ফাগৎলকপা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু মীয়াম মাঙদা দিসপোজ তৌবগা লোয়ননা পেনালটি ওইনা লুপা লিশীং ৩ লৈঙাক্কী একাউন্টতা হাপচিনবা ওর্দর পীখি।

মিনুথোং টেলিপতিদগী রামনরায়ন প্রসাদ (৩৮) অপোকপা রামজান্তা শাহুদগী ফাগৎলকপা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু মীয়াম মাঙদা দিসপোজ তৌনবগা লোয়ননা পেনালটি ওইনা লুপা লিশীং ৫ গভর্ণমেন্টকী একাউন্টতা হাপচিন্নবা ওর্দর পীখি। রঞ্জন কুমার (৩২) অপোকপা সুভাস কুমার বিহারগী মুজাফরপুরদগী লাক্লগা হৌজিক্না পাওনা বজারগী মসজিদ রোদতা লৈবা মীওই অসিদগী ফাগৎলকপা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু মীয়াম মাঙদা দিসপোজ তৌদুনা মাঙহনবগা লোয়ননা পেনালটি ওইনা লুপা লিশীং ৫ লৈঙাক্কী একাউন্টতা হাপচিন্নবা ওর্দর পীখি। পাওনা বজারগী মসজিদ রোদতা লৈবা ব্রিজেসকুমার গুপ্তা (৩৫) অপোকপা ওমকার শাহুদগী ফাগৎলকপা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু মীয়াম মাঙদা দিসপোজ তৌবগা লোয়ননা পেনালটি ওইনা লুপা লিশীং ৫ গভর্ণমেন্টকী একাউন্টতা হাপচিন্নবা ওর্দর পীখি । পাওনা বজারগী মসজিদ রোদতা লৈবা কমলকুমার ভগট (৩৪) অপোকপা সিতারাম ভগটতগী ফাগৎলকপা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু মীয়াম মাঙদা দিসপোজ তৌনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা পেনালটি ওইনা লুপা লিশীং ৩ গভর্ণমেন্টকী একাউন্টতা হাপচিন্নবা ওর্দর পীখি । পাওনা বজারগী কখুলোংদা লৈবা বিতু শাহু (২২) অপোকপা মুনা শাহুদগী ফাগৎলকপা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু মীয়াম মাঙদা দিসপোজ তৌবগা লোয়ননা পেনালটি ওইনা লুপা লিশীং ৩ গভর্ণমেন্টকী একাউন্টতা হাপচিন্নবা ওর্দর পীখি । পাওনা বজার পোলোগ্রাউন্দ মনাক্তা লৈবী সুনচিরা দেবী (৩৮) মপুরোইবগী মীংনা মুনা শাহাদগী ফাগৎলকপা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু মীয়াম মাঙদা দিসপোজ তৌবগা লোয়ননা পেনালটি ওইনা লুপা লিশীং ৩ গভর্ণমেন্টকী একাউন্টতা হাপচিন্নবা ওর্দর পীখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী টোপ খোংনাংখোংদা লৈবা থোইবী (৩৬) মপূরোইবগী মীং এম দি সলিমদগী ফাগৎলকপা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু মীয়াম মাঙদা দিসপোজ তৌনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা পেনালটি ওইনা লুপা লিশীং ৩ গভর্ণমেন্টকী একাউন্টতা হাপচিন্নবা ওর্দর পীখি। কোংপাল কোঙ্খাম লৈকায়দগী নিংথৌজম অবান্তা (২৯) অপোকপা এন শ্যাম কুমারদগী ফাগৎলকপা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু মীয়াম মাঙদা দিসপোজ তৌবগা লোয়ননা পেনালটি ওইনা লুপা লিশীং ৫ গভর্ণমেন্টকী একাউন্টতা হাপচিন্নবা ওর্দর পীখি।

অরোইবদা পাওনা বজারগী মসজিদ রোদতা লৈবা মুনা শাহা (২৮) অপোকপা চান্দ শাহাদগী ফাগৎলকপা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু মীয়াম মাঙদা দিসপোজ তৌনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা পেনালটি ওইনা লুপা লিশীং ৩ গভর্ণমেন্টকী একাউন্টতা হাপচিন্নবা ওর্দর পীখি হায়রি। হায়রিবা কেসশিং অসিগী কমপ্লেনেন্টনা নেলসন থৌনাওজম, ফুদ সেফটি ওফিসর ইম্ফাল ৰেষ্টনা ওইখি হায়রি।

## দাইবেটিস স্ক্রিনিং কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএন এস):

ৰল্ড দাইবেটিস ফাউন্দেসন দেনমার্কনা স্পোন্সর তৌদুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট নন কম্যুনিকেল দিজিজকী টেক্নিকেল ষ্টাফশিংনা তেংবাঙদুনা কম্যুনিতি দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন ৰাংবলনা শীন্দুনা হৌখিবা ওক্টোবর ৩১দা ফুবালা অৱাং লৈকায়দা দাইবেটিস স্ক্রিনিং কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কম্যুনিতি দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন ৰাংবলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ফ্রী দাইবেটিস দিটেক্সন কেম্প অদুদা মীওই ১৮১না শরুক য়াখি। ডাক্তর রেসমা সৌগাইজম অমসুং ডাক্তর সী ঐচ খেলেননা কেম্প অদুগী মেদিকেল স্পেসিএলিষ্টশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কেম্প অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নন কম্যুনিকেবল দিজিজ সেলগী টেক্নিকেল ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি। মীওই ১৮ হায়পর ব্রেসিমিয়া লৈরে হায়না খঙদোকপা ঙমখি অমদি মীওই ১৫না দাইবেটিসকী লায়না লায়ওংশিং লৈরম্বদগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমসুং রিমসতা মখা তানা লায়েংনবা রিফর তৌখি হায়রি।

# শিন্মীশিংগী মরক্তা অচান মীরাই নাইবীগনু: জে সী সী

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস):

নিংঙোল চাক্নৌবা অসিগী য়েংলগা এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টশিংদা থবক তৌরিবা ৰর্ক চার্জ, কেজুএল অমসুং মাষ্টররোলশিংগী ওক্টোবর থা ফাওবগী খুৎশুমল চাক্নৌবা মমাঙদা ফংহনবীয়ু হায়না লৈঙাক্তা অইবা চেরোল ওইনা পীদুনা খঙহনবা লৈখ্রবসু ওক্টোবর থাগী খুৎশুমল ফাওবা ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী সী দি এ খুদিংমক কায়থোকপদা অথিংবা লৈবনা কায়বা য়ারোই হায়না বেক্কনা খঙহল্লকপদা শিন্মী মরক্তা অচান মীরাই নাইবা মানবা লৈঙাক্কী থৌশিললনি হায়না জোইন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিট ওফ এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টস মণিপুর (পি দব্লিয়ু দি, পি ঐচ ঈ দি, আই এফ সী দি অমসুং এম আই দি) না ফোঙদোরক্লি।

জে সী সী ওফ এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ বালেশ্বরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, শিন্মীশিংগী মরক্তা কাংবু খরগীনা ওক্টোবর থা ফাওবগী খুৎশুমল কায়বা য়াহন্দবা অদুগা কাঙবু খরদনা মমাঙগী থাশিংগী ফাওবা শেল লৈতে হায়দুনা অথিংবা থল্লকপদা অঙকপা ফোঙদোক্লখি। ষ্টেট অসিগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা ফেষ্টিবেলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নিংঙোল চাক্নৌবা অসিগী য়েংলগা গভর্ণমেন্ট অসিনা থিংলিবা অসি খুৎশুমলগী ওইনদি কোমথোকপীয়ু অমদি পীথোকফম থোকপা পূম্নমক পীথোকপীদুনা ফেষ্টিবেল অসিবু হরাউ তরাম্না শরুক য়াবা ফংহনবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI

*Ref:- Mutation Case No. 799/SDC/Kbl* *Date: 2/11/2018*

1. Haobam Ibomcha Singh S/o (L) H Ibobi Singh of Uripok Ahanthem Leikai.
2. Thangjam Victor Singh S/o Th. Jiten Singh of Khwai Nagamapal Singjubung Leirak.

*... Petitioners*

-Vrs-

(L) Haobam Ratana Devi D/o H. Ibomcha Singh of Uripok Ahanthem Leikai. *...O.P*

ꯅꯣꯇꯤꯁ/ NOTICE

Kumbi, the 2nd Nov., 2018

নোটিস অসিনা মরম ওইদুনা U/S 46 (B) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ৬০-সগাং ভিলেজগী পাট্টা নং ২৬৩ (অনৌবা) দাগ নং ৬১০৮, ৬১০৯ এরিয়া ০.৫৬ +০.৯৫ =১.৫১ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মপা অমদি মচানুপা পেটিস্নর অনীদা নমা ওনশিনবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা ৰাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

*HL-P/2367/4*

***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Kumbi**

3rd SCHOLARSHIP & MOCK TEST OF X & XII
Organised by
HUMAN RESOURCE CENTRE & RESEARCH INSTITUTE
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road,Opposit Koirengei Auto Parking
SCHOLARSHIP + CASH PRIZE + MOMENTO + CERTIFICATE OF EXCELLENCE

SCHOLARSHIP
1st position : Rs.1000 x 12 Months
2nd Position : Rs.700 x 12 Months
3rd Position : Rs. 500 x 12 Months

CASH PRIZE
1st position : Rs.30,000
2nd Position : Rs 20,000
3rd Position : Rs. 15,000

SPECIAL CASH PRIZES
4th to 10th position Holders
10th to 25th position Holders

*Sponsored by Advanced Coaching Institute*

***Form Available :*** Global book store, Brigthway Agency,Sucheta book house, Leo Agency K.K. book store, Premier book store, Writer book store-Pologround Maning, Manipur stationery Mart-Paona Bazar, Lairik makon-konung mamang, Career corner-Khuyathong, Fame book house-Paona bazar, Siroy Papermark-Kwakeithel, Sana Mart (Maosilen), Siroy Paper Mart,Kangla book store,Chingtam book House,C.I.-Stationery, Sindam book store-Singjamei bazar, I.R. Educational book store-M.U. main gate,Global stationery, Universal book store,Pupil's book store-Lilong Bazar, Tour and saraswati book store-Thoubal wangmataba,Oja bijoy and Shilla book store-Thoubal bazar,M.S. Photo & Video-Athokpam bazar, Global book, K.B. Stationery-Wangjing bazar, Athoiba books-Heirok, Khongjom stationery (Tejkumar), Paperie,Lila, P.P. stationery kakching, Global Enterprises-Wabagai, Romila Book store-Mayang Imphal, New Book store-Wangoi, C.I.Book store-Nambol,Nandini Book store-Bishnupur, Bina book store-Ningthoukhong, Romee Book store-Moirang lamkhai, Ibeyaima book gallery-Moirang, Sharma book store and Global book store-Yairipok bazar.

**For details : contact 7005755288. Form will be available freely from the office of HRC&RI or ACI Nagamapal.**

*HL-P/2321/25/10-22/12(Alt.)*

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, যাগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমেরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোললদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙল্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।

২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৰাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙল্লে।

৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।

৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।

৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।

৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

**Regd. No. 4277 of 82 April**
**DR. N. IBOHAL MEITEI,**
**State & National Awardee**

Phone No. **9612225582**
HL-B/4928/20/10-19/11

Apollo Tutorial Centre
Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office
ADMISSION OPEN
**Special Revision Course for:-**
Class -XII Sc.(COHSEM & CBSE):English(COHSEM only) + Physics+Chemistry+ Maths + Biology
*Class Starts :* 22nd November, 2018
Class timing: 4:00 p.m. to 7:45 p.m.
Last date of form submission : 21st Nov. 2018
VAN Service Available
HOSTEL FACILITY : BOTH BOYS & GIRLS
*Enroll just today and be success HSE (COSHEM) - 2019 & SSE(CBSE) - 2019*
*For Details Please Contact :-* APOLLO Tutorial Centre
(1) 6:00 a.m. to 9:00 a.m. (2) 2:00 p.m. to 7:00 p.m.
*HL-P/5587/27/10-26/11(Alt.)*

LAMJINGBA GROUP
ꯂꯝꯖꯤꯡꯕ ꯒ꯭ꯔꯨꯞ/LAMJINGBA GROUP

| Post | Min. Qualification | No Of Vacancies | Salary |
|---|---|---|---|
| Project Manager for Internal | MBA with Marketing & Operation (Having Knowledge of Marketing, Administration, Team Built and Hospital) | 3 | 25k-30k |
| Project Manager for External | MBA with Marketing & Operation (Having Knowledge of Marketing, Administration, Team Built, Hospital and known foreign language such as Japanese, Chinese, Korean) | 3 | 25k-30k |
| Account Assistance | Any Graduate (Fresher/ Exp) | 5 | 5k-10k |
| Sales & Marketing Executive | Any Graduate (Preferred exp with Food and Beverage) | 5 | 5k-10k |
| Sales Executive | XII passed (exp in home appliance product) | 20 | 5k-10k |
| Drivers | VIII passed (preferred to Exp) | 80<br>**(15 female and 70 male)** | 6k- 10 |
| IT Developer | BCA/MCA (preferred to exp) | 5 | 8k-15k |
| Civil Engineer | B tech/M tech with 5 to 10 yrs | 2 | Negotiable |
| Architect | MR/ PR with 3 yrs exp | 2 | 10k-20k |
| Interior Designer | Degree into interior design with 3 yrs exp | 2 | 10k-20k |

All the Interested candidates can submit their Resume at the below address on or before **05-11-2018**.

***For further Details,***
**Please Contact @LAMJINGBA GROUP**
**Nagamapal RIMS Road, Near Nityananda Temple.**
**Email Id: hr.lamjingba@gmail.com**

*HL-P/5631/3&4*